পান্থৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকা চথরিবা পিছ টোকপু সী এমনা ফাগী তাহল্লে : সোটিনকুমার

ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচ এন এস) : পান্থৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকা ইন্দিয়া লৈঙাক্কা চথনরক্লিবা পিছ টোক চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফাগী তাহল্লে হায়না পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা ইন্নরদা মীরেপ ওইননবা সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলনা লাউথোকখ্রবা কমরেদ এল সোটিনকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

পার্টি অসিগী এসিস্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ৱাফমসি ফোঙদোরক্লদুনা মখা তানা হায়রক্লিবদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট সী পি আইগী কাউন্সীলগী খুরাই সাজোর লৈকায়দা লৈবা মশাগী শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা পার্টিসিগী হান্নগী সেক্রেটরি কমরেদ এল সোটিনকুমারনা মণিপুরগী লুরবা ক্রাইসিস মরক্তা পান্থৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী লুচিংবা অহুম ফাখিবগী মতাংদা ফোঙদোক্লদুনা মণিপুর লৈঙাক পায়দুনা হোমগী থবকসু পুরিবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হন্দক্তা নৌনা পিছ টোক হৌরক্লিবা পান্থৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী মরু ওইবা থৌ পুরিবা থোকচোম শিদবা মপু এলিয়জ শ্যামজাই, লাইময়ুম আনন্দ এলিয়জ ঈংবা অমসুং ইবোমচা এলিয়জ লান্দম্বা অহুম্বু এন আই এনা ফাখিবসি চথরিবা পিছ টোকসি সী এমনা ফাগী তাহনগদৌরে হায়খি।

হীরমসিগী মতাংদা সী পি আই ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা কুপ্না খন্ন-নৈনখি। এন আই এনা ফাখিবা মখোয় অহুম্বু খুদক্তা থাদোকহন্নবা অকনবা চেরোল ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা থাগদবনি। মসিগা লোয়ননা অকনবা থৌদাং লৌগদবনি হায়না তকশিনবা ৱারেপ লৌখি। মখোয়না ফাখিবগা মরী লৈননা থাদোকউ হায়বা দিমান্দদা বন্দ, ব্লোকেদনচিংবা তৌরিবসি লৈঙাক্কী থৌশিল শোয়রকপদগী থোক্লকপনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

হৌজিক মহৈরোয়শিংগী ওইনা ক্লাস টেনগী এগজাম হৌবা নুমিত্তা অসিগুম্বা অথিংবগী থৌদোক থোক্লক্লিবসি লাইবক থীবনি। মসি হোমগী থৌদাংবু লৈঙাক্না থৌশাদনা দ্রামগুম শেম-শাদুনা পঙাং, থৌদাং লৈতবা সী এম ওইবদগী থোক্লিবনি। মখোয় অহুম ফাখি হায়বসি সী এমনা খঙহৌদ্রে হায়বা ৱাফম ফোঙদোরক্লিবসি মীয়াম্না য়াবা ঙম্লোই হায়খি।

কাঙলোন চুম্না শরোই খাংবীয়ু : উকল

ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচ এন এস) :

লমদমসিগী নাৎ অমদি লাইথৌ থৌরমশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা লমতা থাংজদা শরোই খাংবগী থৌরমসি কাঙলোন চুম্না খাংবীনবা মরী লৈনবা পূম্নমক্কী মফমদা উমংলাই কনবা অপূনবা লূপ (উকল)গী সেক্রেটরি পব্লিসিটি টি ঐচ রতনকুমার মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লমতাগী অহানবা থাংজদা পাঙথোক্লিবা শরোই খাংবগী থৌরমসি কাঙলোন চুম্না পাঙথোক্নুনা নাৎ অমদি চৎনবীগী থৌরমশিংদা মরিং-মরাংবা থোকহন্দনবা হোৎনমিন্নবা মথৌ তারে। মৈতৈনা ফূরুপকী শক্তম ঙাক্নুনা লেঙদনা হিংনবগীদমক ফূরুপসিগী শক্তম শাগৎলিবা মচাকশিং মপোপ কায়হন্দবা চঙই হায়রি।

ৱর্ল্ড কিদনি দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচ এন এস) :

মালেমগী মফম অতৈশিংদা পাঙথোক্লবগুম ঙরাং এসিয়ন হোস্পিটাল এন্দ রিছার্স ইন্সটিট্যুট, ক্বাকৈথেলনসু শীন্দুনা হোস্পিটাল অদুগী দাইলাইসিস য়ুনিটতা অচন্বা থৌরম অমগা লোয়ননা ৱর্ল্ড কিদনি দে পাঙথোকখ্রে হায়না হোস্পিটাল অসিগী এ জি এম দল্লিয়ু রোবার্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

‘কিদনি হেল্থ ফোর ওল-এদভান্সিং ইক্বিটেবল এসেস টু ক্যের এন্দ ওপটিমেল মেদিকেসন প্রক্টিস’ হায়বা থীমদা পাঙথোকখিবা থৌরমদুদা অনাবশিং অমসুং অনাবগী মীওইশিংনা শরুক য়াখি হায়রি।

আর এস এসকী ইন্দিয়া পূম্বগী মীফম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরদগী মীওই ১৬কা লোয়ননা নুমিৎ হুম্নী চুপ্না চথগদবা রাষ্ট্রিয়া স্বয়ম সেবক সঙ্ঘ (আর এস এস)কী অখিল ভারতিয়া প্রতিনিধি সভা ঙসিদগী নাগপুরগী রেশিমবগতা লৈবা সৃমিতি ভবনদা হৌদোকখ্রে হায়না ভি এস কে মণিপুরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা আর এস এস অমদি মসিগা পুন্না চৎমিন্নবা লূপশিংগী মীহুৎ ১৫২৯না শরুক য়ারিবা মীফমসিদা আর এস এসকী মথং টর্ম চহী ৩গী সর কার্য্যাৰহা (জেনরেল সেক্রেটরি) অমদি ক্ষেত্র (জোনেল) ১১গী সঞ্চালক (প্রসিদেন্ট)কী মীখলসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

নীংশিংবা য়াই, হন্দক পাঙথোক্লিবা মীফমসি ২০২১দা কোরোনাগী লায়চৎ লাকপদগী পাঙথোকপা য়াদদুনা চহী ৬কী মতুংদা পাঙথোকপা মীফম্নি। হান্নদগী চৎনরকপা মতুংইন্না অহানবা চহীনা সাউথ ইন্দিয়াদা, অনীশুবা চহীনা নোথর্ন ইন্দিয়াদা, অহুমশুবনা নাগপুরদা ফমদুনা লাক্লি হায়না ফোঙদোরক্লি।

লৌশিং পুক্কে

তূম্বদা খ্বাইদগী নুংঙাইতবা

থৌওংশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা খোঙয়া শাবগী মতাংদা খঙজিনসি

মালেমগী মীয়াম্না চাওখৎপগী লম্বীদা খোঙজেল য়াঙনা চঙশিনবা ঙম্লবসু ঐখোয়গী হকচাংদা মখল কয়াগী নুংঙাইতবশিং মতম পুম্বদা অদুম্মক মায়োক্লরি। মখল কয়াগী লায়নানা মরম ওইরগা মমল য়াম্লবা মীওই কয়াগী পুন্সি অরেম্বদা মাঙহনখ্রে। অমরোমদা ঐখোয় মীওইবনা থেংনরিবা নুংঙাইতবশিংগী মনুংদা অহিং তূম্বা মতমদা খোঙয়া শাগৎপা অসিসু অমনি।

খোঙয়া শাগৎপনা মরম ওইরগা মতম চানা তূম্বা ঙমদবা অমদি হকচাংদা মখল কয়াগী নুংঙাইতবশিং থোকহল্লি। খোঙয়া শাগৎপা অসি মরুওইনা শিংলি নাউরি মপাঙ্গল শোঞ্জিল্লকপা নৎত্রগা ন্যুরোপেথিগী থৌওংশিংনা মরুওইনা থোকহল্লি।

পেরিফেরেল ন্যুরোপেথিনা ঐখোয়গী খোঙ অমসুং খোঙয়া কা হেন্না শাগৎহনবা অমদি নুংঙাইতবগী থৌদোকশিং থোকহনবদা অহেনবা মতেং পাংশিল্লি। শিংলি-নাউরি শোঞ্জিল্লকপা অসি মরুওইনা অলকোহোল কাঙলোন লান্না শিজিন্নবা, কেমোথেরাপি মায়োক্লখ্রবা মীওইশিং, দাইবেটিস নারবা মীওইশিংদসু থোকহনবগা লোয়ননা ভাইরেল অমসুং বেক্টিরিয়েল ইনফেক্সনশিংনা মরুওইনা থোকহল্লি।

মথৌ তাবা ভিটামিন ৱাৎপদগীসু শিংলি নাউরি মপাঙ্গল শোন্থহল্লক্বা অচৌবা মরম অমা ওই। তূম্বা মতমদা খোঙয়া শাগৎপগী মরম কয়া অমা লৈরি। মরমশিং অদুগী মনুংদা হোরমোনদা অহোংবা লাকপা, ফঙ্গেল ইনফেক্সন থোকপা অমদি কিদনি নারবা মীওইশিংদসু খোঙয়া শাগৎপগী থৌওং অসি য়াম্না তোয়না থোক্কল্লি। খোঙয়া শাগৎপনা মরম ওইরগা থোকহল্লিবা নুংঙাইতবশিং ঐখোয় অয়াম্বনা হেন্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। অদুবু মতৌ করম্না খোঙয়া শাগৎপগী থৌওং অসি কন্ট্রোল তৌগদগে হায়বগী মতাংদা ঐখোয় অয়াম্বনা অখঙ অহৈশিংদা চত্নুনা হংলুবগী চাংদি য়াম্না নেম্মি। মরম অদুনা খোঙয়া শাগৎপগী মতাংদা ঐখোয় খরা খঙমিন্নসি।

অহানবদা ঐখোয়না খোঙয়া শাগৎলিবা অসিগী মরম হান্না খঙদোক্লবা হোৎনগদবনি। করিগুম্বা দাইবেটিস নারবা মীওই অমনা খোঙয়া শাগৎপগী থৌওং থেংনরবদি মহাক্না নুমিৎ খুদিংগী চরিবা দাইট নৎত্রগা মেদিকেসনদা খরা হোংদোক হোংজিন তৌবা মথৌ তারক্কনি। অলকোহোল কাঙলোন লান্না শিজিন্নবা অমসুং অলকোহোল এদিক্সন অসিসু খোঙয়া শাগৎলক্লবগী অচৌবা মরম অমনি। অদুবু হায়রিবশিং অসি থেরাপি অমসুং মেদিকেসনগী মতেংনা ফহনবা ঙমগনি।

ভিটামিন নৎত্রগা হকচাংনা মথৌ তাবা মচি ওইবা মচল কয়া ৱাৎলকপদগী খোঙয়া শাগৎপগী থৌওং থোকহল্লকপসু য়াওই। মরম অদুনা ঐখোয়না মথৌ তাবা ভিটামিন অমদি অতোপ্পা মচলশিং অখঙ অহৈশিগা তান্নদুনা চানবা হোৎনগদবনি। ফুদ সপ্লিমেন্টশিংনা খোঙয়া শাগৎপগী থৌওংশিং থিংবদা চঙনা মতেং পাংই। ঐখোয়না খোঙয়া শাগৎলকপা মতমদা শিজিন্নবা য়াবা ফুদ সপ্লিমেন্টশিংদি অলফা-লিপোইক এসিদ, এমাইনো এসিদ, এন্টি ওক্সিদেন্ট অমসুং এন্টি ইনফ্লেমেটরি চাং য়াম্না য়াওবা য়াইঙংগুম্বা পাম্বীগী মনা অমদি মরুশিং চাবা য়াম্না কান্নে। মসি রিছার্সরশিংনা থিজিল্লবা মতুংদা ফোঙদোরকখিবনি।

অদুবু খ্বাইদগী হেন্না ফবা পান্থৈদি অনৌবা ফুদ সপ্লিমেন্টশিং লৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা ডোক্তর তান্নবনি। অমরোমদা নর্ভ ষ্টিমুলেসন থেরাপি অসিসু খোঙয়া শাগৎপা কন্ট্রোল তৌবদা য়াম্না চঙনা মতেং পাংই। মসি নত্তবা অতোপ্পা খোঙয়া শাগৎপদা কন্ট্রোল তৌবা ঙম্বা থেরাপি মখল খরদি মেগ্নেটিক ফিল্ড থেরাপি, লেজর থেরাপি অমসুং লাইট থেরাপিনি। হায়রিবা থেরাপিশিং অসি তৌনবা হোৎনবদা শেল অমদি মতম য়াম্না চঙগনি। মরম অদুনা মথক্তা হায়খিবশিং অসি নত্তবা ঐখোয়না য়াম্না লায়না তৌবা য়াবা অমদি ঐখোয়গী খোঙগী শিংলি নাউরি মপাঙ্গল কন্নখৎহন্নবা হোৎনবনি। খোঙ অমদি খোঙয়াগী শিংলি নাউরি ফনা থম্নবা হোৎনবদা ঐখোয়না নুমিৎ খুদিংগী তোংনরিবা খোঙউপ অমদি সেন্দলগী মখা য়াম্না পোল্লি। তোংবদা নুংঙাইবা অমদি অমোনবা মখলগী খুগা য়াওবা খোঙউপশিং তোংনবা হোৎনগদবনি। তুমদ্রিঙৈগী মাঙওইননা ইপসোম থুম (মেগ্নেসিয়ম সলফেট) ঈশিংদা হাপ্লবা মতুং খোঙয়া শেংনা চামথোক্কদবনি। তুমদ্রিঙৈগী মাঙওইননা খোঙয়া মসাজ তৌবা অসিসু য়াম্না কান্নে। অদুবু ঐখোয়না কাউরোইদবা অমদি ঙসি ফাওবদা খোঙয়া শাগৎপগী থৌওং অসি লায়েংনবা হিদাক পুথোকপা লৈত্রি। খোঙয়া শাগৎপগী মরম য়াম্বনা মরম ওইরগা মসি লায়েংনবা হিদাক লাংথকশিং পুথোক্লবা হোৎনবদা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লরম্বসু য়াই। মরম অদুনা মশানা খোঙয়া শাগৎকল্লি হায়না খঙজবা মীওইশিংনা তূম্বা মতমদা নিংথমথা ওইরবসু ফৈজুপকী মপানদা খোঙ থম্নবা হোৎনগদবনি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

কে এস এ ইম্ফাল ইষ্টকী থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচ এন এস) :

কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কেএসএ) হেদ ক্বার্টরগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি লাঙ্গোলজম রাজেশনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ঙরাং নুংথিল পুং ২ তাবদা এসোসিএসন অসিগী ময়াই লোয়শঙদা লূপসিগী ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী ওইনা কুম্মজা ২০২৪-২৫ সেসনগী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে হায়রি।

কে এস এ ময়াই লোয়শঙগী প্রসিদেন্ট সুখাম বিদ্যানন্দ, ভাইস প্রসিদেন্ট থিয়াম জোন্সন অমদি সেক্রেটরি ঐচ আর দি তোইজম রনাকুমারনা ময়াই তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা থৌরমদুদা নৌনা খল্লবা থৌ পুগদবশিংদু ৱাশক লৌখিবনি।

নৌনা থৌ পুগদবশিং অদুদি প্রসিদেন্টদা লান্থেংঙম্বা ইরেংবম, ভাইস প্রসিদেন্টতা সনাতোম্বা য়ুমখাইবম, জেনরেল সেক্রেটরিদা ৱারিশ ইফম, ফাইনান্স সেক্রেটরিদা লেন্দর সাপম, ঐচআর দি সেক্রেটরিদা রুফেক্স শাহনচিংবনি হায়রি।

এল এস টি বিনা সলাই তরেৎকী ফিরাল য়ুংখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচ এন এস) :

লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দ (এল এস টি বি)না শীন্দুনা লোয়শঙসিগী পিবা লোয়শঙগী থৌবুরোইশিংনা হয়েং লমতাগী অহানবা থাংজগী পাঙথোক্কদবা থৌরমশিংগা মরী লৈননা লমতূ শিৎ-শেংবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

থৌরম অদু মায়কৈ মরি ঙাকপীরিবা পূঙ মরি তেরা ৱাংথোনবী পূঙ, কোংবা শৌদোং পূঙ, খুরাই অহোং পূঙ অমদি ককৱা লমতাই পূঙদা পাঙথোকখিবনি। শিৎ-শেংবগী থৌরম লোইরবা মতুংদা পিবা লোয়শঙগী নন্দো লুৱাং অমদি ইনাওচা মঙাং অনীনা লুচিংদুনা পূঙ মরি অসিদা সলাই তরেৎকী মচু তরেৎকী ফিরাল অমমমসু য়ুংখি। মফমশিংসিদা লমতাগী অহানবা থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্তা লৈবাকসিগী য়াইফনবগীদমক অমাইবা, অমাইবী য়াওনা শরোই খাংবগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরি হায়রি।

কোন্সম বিনোদ বিহারীদা মনা পীখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচ এন এস) :

লাইশ্রম খুল জারিবোনদা লৈবা অপোকপা মরুপকী হৌনশঙ হোলদা পাঙথোকপা অচন্বা থৌরম অমদা রাজকুমার শিতলজিৎ নীংশিং মনা-২০২৩ ঙরাং জারিবোন হাইলাকান্দিদা লৈবা কোন্সম বিনোদ বিহারীদা পীখ্রে হায়রি।

মনা অদু অরুনাচল প্রদেশকী নহারলাগুনদা পাঙথোকপা সোসাইটিগী ফাউন্দেসন দেদা ২০২৩গী দিসেম্বর ২৫দা পীগদবনি। অদুবু মনা ফংগদৌরিবা বিনোদ বিহারীনা মশা শোনবদগী লাক্পা ঙমদদুনা ঙরাং লাইশ্রম খুলদা পাঙথোকপা থৌরমদা পীখিবনি। থৌরমদুদা লমদম অদোমগী শক্লইরবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি হায়রি।

‘কঞ্জ্যুমরশিংদা ঈশিং পীবা ঙমদ্রে’

ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচ এন এস) :

ইগজিক্যুটিভ ইঞ্জিনিয়র ৱাটর সপ্লাই প্রোজেক্ট কন্সত্রক্সন দিভিজন, পি ঐচ ঈ দি মণিপুর, টি ঐচ অজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ইরিলবুং দল্লিয়ু টি পিগী ইন্টেক্ট য়ুনিটতা ইরিল তুরেলগী ঈশিং ঈমায় হন্থখিবনা মরম ওইদুনা ঈশিং চিংখৎপা য়াদবদগী ইরিলবুং দল্লিয়ু টি পিনা ঈশিং পীরম্বা কঞ্জ্যুমরশিংদা য়ৌহনবা ঙমদ্রে হায়রি।

অমরোমদা, চীংঙা দল্লিয়ু টি পিগী ওইনসু মসিগা শম্নরিবা পাইপ লাইন খরা শেমজিন-শাজিনবগী থবক চথরিবনা মরম ওইদুনা ঈশিং থাবা থিংবদগী দল্লিয়ু টি পি অসিনা কোনবা মফমশিংগী কঞ্জ্যুমরশিংদা ঈশিং পীবা ঙমদ্রি হায়রি।

পুং ৩ মৈ মমগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচ এন এস) :

মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদ (এম এস পি দি সী এল)গী দেপ্যুটি জেনরেল মেনেজর ইম্ফাল ইলেক্ট্রিকেল দিভিজন নম্বর ৱাননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ১১ কে ভি নম্বুল ফিদরনা কোনবা মফমশিং হয়েং মার্চ ১৬কী অয়ুক পুং ৮দগী অয়ুক পুং ১১ ফাওবা পুং ৩ মৈ মমগনি হায়রি।

হৈরাঙ্গোইথোং, মোংশাঙ্গৈ, চিংথাম লৈকায়, এলাংবম লৈকায়, তোপ লৈরকন্নচিংবদা ঐচ টি পোল হোংদোক-হোংজিন তৌগদবনা ইলেক্ট্রিক সটদাউন তৌগদবনি হায়রি।

ঐচ এস এল সী থারিবা মহৈরোয়শিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচ এন এস) :

ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সূক)কী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এস প্রেমকুমার মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ঐচ এস এল সী এগজাম থারিবা মহৈরোয়শিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

চেরোলসিনা মখা তারদুনা, লানগী চৈথেং মরকসিদা মহৈমশিন হায়বসিসু তমদবা য়াদবা, য়াওদবা য়াদবা অমদি মালেমগী থাক্তা ঐখোয়গী মহৈরোয়শিংসু চাংদম্নবদা নোপ্পুনবগীদমক তাঙ্কক কয়াদা এগজাম কয়া পাঙথোক্লি। মহৈরোয় অমগী মহৈ তম্বগী লম্বীদা মরু ওইবা অমদি অহানবা ওইরিবা অচৌবা চাংয়েং অসি ঐচ এস এল সী এগজামিনেসনসিনি। এগজামসিবু থারিবা মহৈরোয় খূদিংমক্তা সূকনা য়াইফ পাউজেল পীজরি।

মহৈরোয়শিংনা লানগী চৈথেং কয়া নংলবসু থৌনা লৈনা অমদি অরানবা পান্থৈ অমত্তা য়াওদনা এগজামসিবু শরুক য়াবীয়ু। তূম্বা-চাবা খঙদনা হোৎনরক্লিবা, তমজরক্লিবদুগী মহয় চারমদাই মতম অদু য়ৌরক্লে খন্দুনা ঐনা তমজরকপা, খঙজরকপা, হোৎনজরকপশিংদু উৎথোক্নুনা এগজামসিবু মায় পাক্লবা হোৎনবীয়ু। মহৈরোয়শিংনা হোৎনজরিবশিং অদুবু অকাউ-পরৈ চন্দনবা শেন্থীবা মপুগী মফমদা থৌনিজরি। কংলৈপাক্কী থৌনা ফরবা ইপা-ইপুশিংগী ঈ য়াওরিবা ইনখৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংনা লানসিনা ফনা য়াম্না শোকহল্লবসু অরানবা পান্থৈ শীজিন্নবগী মহুৎ থৌনা লৈনা হোৎনদুনা ইশানা তঙ্লকখিবশিং, হৈজরিবশিং শীজিন্নদুনা তুংগী লম্বীদা মালেমগী থাক্তা ইমান্নবশিংগা লম্বা পাবদা মায় পাক্লবগীদমক খন্দুনা এগজাম থাবীয়ু। হন্দক্কী এগজামসিদা মহৈরোয়শিংদা অয়েৎ-অপন পীবা য়াবা থবক অমত্তা তৌবীরক্নু হায়রি।

[illegible]

[illegible]

[illegible]

M/S BEE BRICK FIELD

Wangjing Sabal Checkon Leikai

Near, Khongjom War Memorial

GSTIN - 14CMPYS1064C2ZU

Class	Rate	No. Of Bricks	Amount
1st Class	13.00	1,500	19,500
		2,000	26,000
2nd Class	12.20	1,500	18,300
		2,000	24,400
1st Reject	11.00	1,500	16,500
		2,000	22,000
Jhamat	10.00	1,500	15,000
		2,000	20,000
P.T	10.50	1,500	15,750
		2,000	21,000
P.T Reject	8.50	1,500	12,750
		2,000	17,000
3rd Class	5.50	1,500	8,250
		2,000	11,000
4th Class	4.00	1,500	6,000
		2,000	8,000
Checktek 1 Load 407 Cantor			3,500

Contact No. 6009512716

HL-P/9855/6 to 20 March

Moulding Career & Igniting Young Minds

APOLLO ACADEMY

Kwakeithel Akham Leikai, Airport Road-01

REGISTRATION OPEN

CUET (UG)

Common University Entrance Test (2024)

UNDER GRADUATE TESTS for Indian Central Universities including Manipur University

Eligibility: XII Sc. & XII Arts

Sunday open

CUET (UG) Classes available for Paper I, II & III

Domain subjects: Phy, Chem, Bio, Maths, Hist, Geog. Eco. Com. Busi. Studies, Accountancy Pol. Sc. & Eco.

Class starts: 18/03/24 for Science

23/03/24 for Arts & 04/04/2024 for Paper I & III

Avail Hostel seats for Boys & Girls

Congratulations

MR. NITISH NAOREM

AIR - 116 (99.96 percentile)

Hansraj College, DU

CUET-2023

For Application Forms pliz visit Appollo Ofice, Kwakeithel, Near AMUCO Office (8 am. to 3 p.m.)

HL-B/8604/6 to 25 March

PLANET ACADEMY

KEISHAMPAT JUNCTION OPT. CC PUR PARKING

Gateway to future academic career

ADMISSION OPEN FOUNDATION COURSE

EVENING SHIFT CLASS-XII

Phy., Chem., Maths., Bio. & Eng. COHSEM & CBSE

Classes commencing on 21st March, 2024

EVENING SHIFT CLASS-XI

Phy., Chem., Maths & Bio. Cohsem & Cbse

Classes commencing on 18th April, 2024

MORNING SHIFT seperate batches:-

CLASS-XII Cohsem & Cbse

Chem. & Bio only

Class starts on 21st March 2024

Provisions:
- Prize for test series toppers
- Sub: choice provided under some conditions

Class Timing

Morning Shift: 4:30 - 6:45 am

Evening Shift: 4:15 - 8:00 pm

Special Features:
- Focus & provided foundation for NEET & JEE aspirants
- Vision for toppers
- Analysis of most probable Q&A for the upcomming final exam, 2025
- Regular chapterwise test series on every sunday
- Extra classes for weak students on regular basis
- Special concession for students of Govt. schools & relief camps.

Van service & Seperate hostels for boys & Girls

Limited seats First come first serve with concession

For further details, please contact: Office, PLANET ACADEMY # 9863002206

HL-B/8624/12 March to 16 April alt.

SPOKEN ENGLISH

FOR GENERAL CLASSES AND SPECIAL CLASSES FOR ONLY ONE PERSON

FOR SENIOR AND STUDENTS (OFFLINE OR ONLINE)

GLOBAL SPOKEN ENGLISH AND DOT COM COMPUTER

GOURAHARI MARKET, BEHIND POLOGROUND, NEAR HOTEL KHRISTINA PAONA BAZAR, IMPHAL

CLASS TIMING : 5:15 AM TO 6:30 AM, 6:30 AM TO 8:00 AM, 11:00AM TO 12:30 PM, 3:00 PM TO 4:30PM, 5:00PM TO 6:30 PM.

INSTRUCTOR : SIR TEJKUMAR (TEACHING SINCE 1987)

PLEASE CONTACT : 8132904426

HL-B/8573/30 Jan. to 28 March.

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৬।০৩।২০২৪ ইং, থাংজ;
লমতাগী ৭ নি পানবা।

মেষ: নীংবা খুদিংদি পাঙবা ৱারসু হকচাং নুংঙাইবা, পাংঙমদবা থবক পাঙদুনা লন/মিংচৎ লৈবা নুমিৎনি। অখং-অহৈদি শাদবনা ফৈ।
লৈশা পাখংগী- নীংবা থুংলোই।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস

বৃষ: ঙসিসু নীংবা থুংগনি-মীনা ইনশিনবা ঙায়দনা ফৈ খনবা থবক্তা চঙশিল্লু। অরাপ্পগা মতেং লৌনবা য়াগনি। ৱানোম-থৌনোম কান্নগনি।
লৈশা পাখংগী- ৱাখল নুংঙাইজগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস

মিথুন: শক-চু থোক্লনি, পাইরক্কী লৌশিং হেল্লনি-মীনা লাকচবা ঙম্লরোই। নচা-ননাই অমদি মীয়ামগা লোয়নবা ফংগনি, নুংঙাইজগনি।
লৈশা পাখংগী- মরী হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম

কর্কট: অকল-অথৌ অমদি অনম তানবগী লমদা মায় পাকপা ৱাগনি-তপথৌ। অতৈ লমদদি কান্নজগনি, অনৌবা আশা লাক্কনি-ৱারুনু।
লৈশা পাখংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

সিংহ: লেঙদবা লন ফংবগী নুংঙাইজবা, ইকায়বা নংবা য়াবা কোকচবা, ঙাং-শকপা হৈবা নুমিৎনি। য়েক্লবদি লৈ-খাঙবা কন্দবা তৌগনু।
লৈশা পাখংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

কন্যা: অয়াম্বা থবক্তা লৌশিং চাউবা মী তান্নৌ। হুরানবনা তাথিবা, হোয়া ফরুবনা মীপাইবা পোকপা, নচাক-নরল মাঙবা য়াবা লৈ।
লৈশা পাখংগী- মতম হৌহনখো।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

তুলা: পল্লম্বা লন ফংবা য়াবা লৈরে, পাইরক্কী লৌশিংসু হেনগৎকনি, নীংহন্নদবনা মীনা লাকচবা ঙম্লোই। ফিংলদি শোক-পনগনি।
লৈশা পাখংগী- নুংশি মরী খরদি ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

বৃশ্চিক: খৎন-চৈনববু য়াওদ্রদি পূকচেল তিংনা নুংঙাইজবা নুমিৎনি। ওইজবা য়াম্না ফংগনি, নথক থোংবনা চাল্লি। অরং-অরাক্তি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংগী- নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা

ধনু: লৌশিং চাউগনি, নীংবা মপা চাগনি, মীগী মতেংনা মফম কনবা ঙমজগনি। মহু চাওবনদি য়াম্না তাথি, অরাপ্পগা মরী ফরোই।
লৈশা পাখংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

মকর: নাইতোম ৱারেপ লৌবা ঙমজরনি। চঙশিনখ্রবা থবক্তুগী মায় লৈগে খনগনু-মায় পাক্কদবা কুইদ্রে। পাউসু নুংঙাইবা তাগনি।
লৈশা পাখংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা

কুম্ভ: খোয়রাংবা অমদি ঙক কনবনা নরল মাঙজবা নুমিৎনি। পোরম শীনবসু অখঙ-অহৈগী পাউতাক লৌদ্রদি চোপ্পা য়াই। ঈংথৌ-শাফগনি।
লৈশা পাখংগী- মতম ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/হিগোক

মীন: য়েৎনবনা কায়নহনবা লৈগনি। খাঙবা কল্লু, অকল-অরিং শিংগনু। নচা-ননাইগী মতেংনা কান্নজবা, ওইজবা ফংবগী নুংঙাইবসু লৈ।
লৈশা পাখংগী- লাইবক ফরগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।